# মণিপুর য়ৌরক্কদবা ত্রক ১০০ হেন্না

## বোকাজানদা মরম চাদনা দিটেন তৌদুনা লৈরে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুন ২৪:*** মণিপুর য়ৌরক্কদবা গুৱাহাটিদগী মাল পুরগা লাকপা ত্রক ১০০ হেন্না অসামগী কার্বি আলোং দিষ্ট্রিক্টকী লোন্নবা বোকাজানদা সেলস টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা মরম চাদনা অৱাবা পীবদগী নুমিৎ কয়ানিরোম মফম অদুদা দিটেন তৌদুনা লৈরে। মসিনা মরম ওইরগা গাড়ীগী মীওইশিং অৱাবা কয়া মায়োক্লরে।

দিল্লি, মুম্বাই অমসুং চেন্নাইনচিংবা মফম কয়াদগী ইসেন্সিয়েল কমোদিটিশিং পুরকপা ত্রক য়াওনা গুৱাহাটিদগী মাল পুরগা লাকপা নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরদা লাক্কদবা লোদেদ ত্রকশিং অদু বোকাজানদা দ্যুটি তারিবা সেলস টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং অদুনা নাগালেন্দ অমসুং মণিপুর চংলকপগী নাগালেন্দ ভেল্যু এদেদ টেক্স (ভেট) অমসুং মণিপুর ভেল্যু এদেদ টেক্স (ভেট) ফোর্মশিং অদু পুথোরক্কদবনি। করিগুম্বা ফোর্মশিং অদু পুথোক্ত্রবদি নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরদা চংবা য়ারোই হায়না নুমিৎ কয়ানিগী মমাংদগী গাড়ীশিং অদু ফাজিন্দুনা থল্লকখিবনি।

দিটেন তৌদুনা লৈরিবা ত্রকশিং অদুগী দ্রাইভরশিংনা ফোঙদোরকখিবদদি গাড়ীগী দরকার লৈবা চে-চাংশিং অমসুং পোৎ-চৈশিং পুরকপগী পার্মিটশিং য়াওরবসু ভেট ফোর্ম য়াওদবনা চৎপা য়াদে। সেলস টেক্স ওফিসিয়েলশিংনা ত্রকশিংদগী ভেট ফোর্ম দিমান্দ তৌরিবা অসি মরম চাদে। ভারতকী অতোপ্পা ষ্টেটশিং লান্দুনা পোৎ-চৈ পুরকপদা ভেট ফোর্মশিং দিমান্দ তৌবা লৈতে।

ভেট ফোর্ম অসি য়াওদ্রবসু অমদি ষ্টেটশিং ফাওদুনা লাকপগী দরকার লৈবা চে-চাংশিং য়াওদ্রবসু বোকাজানদা লৈরিবা সেলস টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং অসিনা লুপা লিশিং ৩ দগী ১০ ফাওবা লৌরগা লাহ্বোক-লানশিন তৌবদি য়াহল্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি য়ানিংদে।

অমরোমদনা ইসেন্সিয়েল কমোদিটিশিং পুশিল্লকপা গাড়ীশিং বোকাজানদা ফাজিল্লগা থল্লকখিবা অসিনা ত্রকশিংনা মখোয় মখোয়গী য়ৌগদবা লমথুংফমশিং অদু য়ৌদবনা নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরগী মীয়াম্না ইসেন্সিয়েল কমোদিটিশিং সোর্তেজ ওইশিল্লকপগী খুদোংচাদবা অমা মায়োক্লবা হৌরে। লোদেদ ত্রকশিং অদুগী মনুংদা থুনা পৎকনবা-পুমগনবা পোৎ-চৈ কয়া অমদি মতম শাংনা দিটেন তৌরকপা অদুনা মাংবা য়াওরে হায়রি। অদুম ওইনমক বোকাজানদা লৈরিবা সেলস টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংদা টেলিফোন্দা কন্টেক্ট তৌবদদি মখোয়না ত্রকশিংদগী শেল চারগা চে-চাং শুদবা গাড়ীশিং লাহ্বোক-লানশিন তৌহনবা লৈতে হায়না শেংদোরক্লি।